অসামগী কোভিদ-১৯গী কেস ৩১,০০০ হেল্লে, নোংমদা পেসেন্ট ১,২৯৪ দিসচার্জ তৌখ্রে

গুৱাহাতি, জলাই ২৬ (এজেন্সি): অসামদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ১,১৬৫ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৩১,০৮৬ য়ৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী টেলি অসি কনফার্ম তৌরদুনা হেল্থ মিনিষ্টর হেমন্ত বিস্বা সরমনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি মদুদি, অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ৩৬৩ দি গুৱাহাতিদগী রিপোর্ট তৌরকখিবনি অমসুং অতৈ ১০০ না গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্টতগীনি। হেল্থ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎত্তুনা মখোয়বু চেকশিন্না ঙাক্লনবা অপিল তৌখি।

অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগা লোয়ননা অসামদা হৌজিক এক্তিভ কেস ৯,২৪৫ লৈরে। এক্তিভ কেস অহুমদি মপান্দগী হল্লকখিবশিংনি। হান্না কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈখ্রবা পেসেন্ট ২১,৭৬১ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরম্বদগী ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মোদেল হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

শাথিরবা লায়না অসিনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৭৭ কী পুন্সি লোমহনখ্রে। থাংজ নুমিত্তা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা ষ্টেট অসিদা শিহনখিবা মী মশিং ৭৭ য়ৌখিবনি। ইকোন কোন্না লৈখিদবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অদু নাগাউন দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৬৫ শুরবা নুপা অমনি। মহাক গুৱাহাতি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (জি এম সী ঐচ)দা লৈখিদবনি।

থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী লায়েংবদা ফরবা পেসেন্ট ১,২৯৪ দিসচার্জ তৌখি। হেল্থ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসামদা থেংনরিবা পোজিটিভ পেসেন্টশিংগী মশিংদগী লায়েংবদা ফদুনা দিসচার্জ তৌখিবা পেসেন্টশিংগী মশিংনা হেল্লি হায়খি।

নাগালেন্দদা কোভিদ পেসেন্ট ৪ শিরে

দিমাপুর, জুলাই ২৬ (এজেন্সি) : কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা নাগালেন্দদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪ শিরে হায়রি। অদুমওইনমক মীশিশিং অদু থাঙ্গৈশেংনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনৈ হায়বসি লেপ্পদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চঙগনি হায়না ষ্টেট অসিগী হেল্থ মিনিষ্টর এস পাংন্যু ফোমনা মহাক্কী ওফিসল ত্বিটর হেন্দলদা ফোঙদোকখ্রে।

কালিবারি রোদতগী মশাগী চহী ৭৮ শুরবা পেসেন্ট অমা জুলাই ২৪ দা কোভিদ হোস্পিটালদা শিখি অমসুং অসামদগী লাকখিবা নুপী অমনা জুলাই ২৪ দা দিমাপুরদা লৈবা হোটেল অমদা শেম্বা পেইদ ক্বারন্টিন সেন্টর অমদা শিখি।

থাংজ নুমিত্তা মখোয়গী আর টি-পি সী আর টেষ্ট রিজল্টশিং লাকখিবগা লোয়ননা মখোয় কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওই হায়বসি কনফার্ম তৌখি হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা থাংজ নুমিত্তা সেম্পল ৩৪৪ গী টেষ্ট রিজল্টশিং লাকখিবদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৫০ য়াওরম্লে হায়রি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC

দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা SUGAR NIL CAPSULES DUTTA AYURVEDIC তগী ফংবীগনি

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফন্বী পাবা, ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিডৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুকনুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিংথক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোংহান্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

শমগী পোব্লেম :

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিখবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6100/14/07-13/08

ষ্টেটকী পাউ

‘রিহেবিলিটেসন পীবগা লোয়ননা খুঞ্জাশিংগী য়াইফগদবা থবক পায়খৎত্রবদি মাইনিং তৌবীগনু’

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ৱাটর কেটচমেন্ট (সী পি দব্লিয়ু সী), মন্ত্রিপুখ্রিগী সেক্রেটরি কে ব্লেসিংসননা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী উখ্রুল, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনচিংবগী মফমশিংদা তোঙান-তোঙানবা মাইনিংগী থবকশিং পাঙথোক্ল বগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কা কম্পেনি খরগগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খুৎয়েক পীনখিবা অসিগী মতুংইন্না মাইনিংগী থবক চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৩ অসিগী খুঞ্জাশিংদা রিহেবিলিটেসনগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা মখোয়গী য়াইফনবা থবকশিং পায়খৎকদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মাইনিং তৌনবগীদমক লৈঙাক্কা খুৎয়েক পীনখিবশিংগী মনুংদা সর্ভেষ্ট রিফ্রেক্টোরি প্রাইভেট লিমিটেদ, বলাশ্বর এল্লোইজ লিমিটেদ, আনন্দ এক্সফোর্দ লিমিটেদনচিংবা কম্পেনিশিং য়াওই হায়বা খঙলে। কম্পেনিশিং অসিনা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ুশিংগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ৩ অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মাইনিংগী থবকশিং চত্থরক্কদৌরিবনি। অদুবু হায়রিবা মফমশিং অসি হৌজিক ইমুং লিশিং ১০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী হিংনবগী লম্বী ওইরি।

খুঞ্জাশিংনা মৈ থাননবা শিং চল্লি। চাননবা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং থাবগা লোয়ননা তুরেল অমসুং ঈশিং খোংশিংদগী ঙানচিংবা ফারি হায়রি। অদুবু য়ানখিবগী মতুংইন্না কম্পেনিশিং অসিনা মাইনিংগী থবক চত্থবা হৌখ্রবা মতুংদগীদি হায়রিবা চীংগী মফমশিং অসি অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্লোইদবনি হায়রি।

মরম অসিনা হায়রিবা থবকশিং অসি পায়খৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা মফমশিং অসিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংগা নীংথিনা কন্সল্টেসন তৌহৌগদবনি। লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনসু ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরনমেন্ট ক্লিয়ারেন্স পীদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মফমশিং অসিগী খুঞ্জাশিংনা মায়োক্ল গদবশিং অদুগী মতাংদা এসেসমেন্ট অমা তৌবীহৌগদবনি হায়রি।

কম্পেনিশিং অসিনা মাইনিংগী থবক থৌরমশিংগীদমক লৌখৎলকপদা উখ্রুল, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন তৌবগী অমদি ৱার্কিং গ্রুপ ওন ভিজিনেস এন্দ হ্যুমেন রাইটসকী গাইদলাইনশিং ভাইওলেট তৌবগী রেকোর্দশিং লৈরে হায়নসু ফোঙদোক্লি।

মরম অসিনা মপিথেল দামগী থৌদোক অমসুং অসামগী তিন্সুকিয়াগী ভগাজান এরিয়াদা য়াল্লবা থাউ কয়া মৈ চাকখিবা থৌদোকশিং অদুগুম্না ষ্টেট অসিদসু থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি। থৌদোকশিং অদুনা খুঞ্জাশিংবু নীংথিনা রিহেবিলিটেসনগী খুদোংচাবা পীখিদবা অদুবুসু কম্মিটি অসিনা কন্দেম তৌই হায়রি।

নুপী অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ক্বাকৈথেল হেনৌ খোংনেম্বী থোকচোম লৈকায় এরিয়াদা লৈবী নুপী অমা ময়ুম মনাক্তা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা নুপীদুনা শিরগা লৈরম্বা অদু ইমুং-মনুংনা থেংনরকপনি হায়রি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিংনা খুন্দোংবম মেম্মী (৫৫), মপুরোইবা কে ঐচ ব্রোজেন কৌই। মহাক ক্বাকৈথেল হেনৌ খোংনেম্বী থোকচোম লৈকায়দা লৈবনি। মহাক য়ুম অদুগী মনাক্তা লৈবা ট্যুসন তৌফমগী কা অমগী ফেরেলদা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়রি।

মীশি অদুগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা হায়বদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা চিংনবা কনা অমত্তা লৈতে। পোষ্ট মোর্টেম তৌজররোই হায়বদগী য়ানবদা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মরাল লৈবা মীওইশিংদা লোগী ওইবা চৈরাক পীবীয়ু : শিলা বেগম

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈবুং মথক লৈকাইগী মহমদ নজির অহমদকী মচানুপী শিলা বেগম (২১)গী মথক্তা চহী অসি হৌখিবা মে ২দা য়ূমথংনবা ইমুংগী মীওই ৬না মী শিবা য়াবা থাঙনচিংবা খূৎলায় শীজিন্নদুনা নুপীমচা অসিগী কোক, মায় অমসুং লাইবক্কী মফমশিংদা তমথিবা মওংদা শোকহল্লম্লে হায়রি।

শোকখ্রবী নুপীমচা অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটি অমদি শীজ হোস্পিটাল অমসুং রিসর্ছ ইন্সটিট্যুটনচিংবা হোস্পিটালশিংদা রিফর তৌদুনা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নদুনা লাকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা নুপীমচা অসিদা শিবা য়ানা খূৎ থারল্লিবা মীওইশিংবু লো-এনফোর্সিং এজেন্সীনা ফাগৎপীদনা লৈরকপা অসিদা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

খুরাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খোমিদোক জমা মসজিদ ময়াদা লৈবা মহাক্কী অপোকপী মমাগী মবুংগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমগী মীফমদা শিলা বেগমনা হায়খি, চহী অসিগী মে ২দা য়ূমথংননা লৈবা মহমদ হাসন কৌবা অপোকপা লৈখিদ্রবা তোম্বা এলিয়স ৱালিৱালা হায়রিবা মীওই অসিগা ইখোলগী লম হেঞ্জিন্নবগী মতাংদা শিলা বেগমগী অপোকপা নজির অহমদকা য়াম্না কন্না খৎন-চৈনবদগী অপোকপা মপাবু খামজিল্লবা মতুংদা ইমুংদা পুশিল্লক্লবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অদুদা মহমদ হাসনগী মচানুপা মহমদ অজিম হায়রিবা মীওই অসিনা খঙহৌদনা শিলাগী কোক, নাতোন অমদি হকচাংগী মফম কয়াদা অথৌবা খূৎলায় অমনা য়াল্লকপদা ৱান্থদুনা তাখি। ৱাখল তারকপা মতমদদি নুপীমচা অদু নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরমখি। মরম অদুনা শিরসু য়ারে হায়বগী মতাগুম তমথিনা শোকহল্লম্লবা মীওইশিং অদুবু চৈরাক ফংহন্নবা ইরৈচাশিংনসু মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শিলাগী অপোকপনা হায়খি, লমদম অসিদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা, তোল্ল-তারবা অমদি নুপী খুন্নাইগী রাইটকীদমক থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অমদি এজেন্সীশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়খি।

মীওই ৫১ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোক্তনবা লৈঙাক্না লোকদাউন থল্লিঙৈ মনুংদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লোকদাউন থুগায়দুনা মাস্ক উপ্তবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা য়াওনা পুন্না মীওই ৫১ দিটেন তৌখি।

মখোয়গী মনুংদা মীওই ৪৬না পব্লিক প্লেসতা মাস্ক উপ্তবগী লুপা ৯,২০০, মীওই মরিনা পব্লিক প্লেসতা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবগী লুপা ৮০০ অদুগা মীওই অমনা পীরিবা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবগী লুপা ১০০০ ফাইন ওইনা য়াওনা পুন্না লুপা ১১,০০০ রোম ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা খোমগৎখ্রে।

হৈরোক এরিয়াদা হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক এরিয়াদা হন্দক মীওই ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওরকপগা লোয়ননা ঙসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হৈরোক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মহিক-মতাই শিনবা হিদাক সোদিয়ম হায়দ্রোক্লোরাইদ কাপথোকপগা লোয়ননা সেনিটাইজেসন তৌবগী থবক চথখ্রে।

হৈরোক এ সীগী মীহুৎ ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা রিলিফ কম্মিটি এগেনষ্ট কোভিদ-১৯ হৈরোক কেন্দ্রনা চথখিবা হিদাক কাপথোকপা অদু কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস লৈরম্বা হৈরোক পার্ট থ্রী ঙারৌথেল লৈকায়দা হিদাক কাপ্পা হৌখি। হিদাক কাপ্পা অদুগা মরী লৈননা রিলিফ কম্মিটিগী টাস্ক ফোর্সকী সেক্রেটরি লাইশ্রম মেঘনা ফোঙদোরকপদা, হন্দক হৈরোক্তা হোম ক্বারন্টিন তৌরগা লৈবা মীওই অমা অমসুং মহাক্কী লোয়নবীগা পুন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মিনিষ্টর রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক পুন্বা পাক-শন্না হিদাক অসি কাপথোক্লবা কম্মিটিনা ৱারেপ লৌবনি।

ঙসি অহানবা ওইনা পোজিটিভ ওইরিবা লৈকায় অসিদগী হিদাক কাপ্পা হৌদোকপগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরক্লিবা লৈকায়সি লৈঙাক্না কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোক্তুনা থল্লি। মসিদা মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা লৈকায় অসিগী য়ুমথোঙ খূদিংদা মথৌ তাবা চান-থক্ল বা পোৎলমশিং অমসুং মাস্কনচিংবসু রিলিফ কম্মিটিনা য়েন্থোকখ্রে। মসিগী মথক্তা হৌখিবা মার্চথাগী লোইরকপা অদুৱাইদা মিনিষ্টর রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক এ সী শিনবা থুংনা নুমীৎ ৫/৬নি চঙনা মহিক শিনবা হিদাক কাপথোকখ্রে।

মিনিষ্টরগী লুচিং মখাদা মখা তানা রিলিফ কম্মিটি এগেনষ্ট কোভিদ-১৯ হৈরোক এ সীনা লাইচৎ অসি হৈরোক্তা মখা তানা শন্দোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা থবক খূদিংমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা তান্নরগা লৌখৎকনি। মীয়ামগী পূক্নিং লুম্নবা থবকশিং মখা তানা পায়খৎকনি হায়খি। পনবা য়াবদি, হিদাক কাপ্পা হৌদোকপা অদুদা হৈরোক জিলা পরিষদকী উপ-অধক্ষাসু ওইরিবা রিলিফ কম্মিটিগী কনভিনর টি নুংশি, হৈরোক পার্ট থ্রীগী প্রধান এন তাঙবা, সোসল ৱর্কর টি ঐচ সনাথোই, হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, এন প্রেমজিৎ অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

লম-তু শেংদোকখ্রে, মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): মালেমগী কিনীংঙাই ওইরিবা, হৌজিক হৌজিক কন্না শন্দোরক্লিবা লায়না কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুরগী ওইনসু পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোক-শন্দোক্তনবা থৌবাল ক্ষেত্রিলৈকায় রাইজিং ক্লবনা শীন্দুনা ঙসি ক্লব অদুনা কোল্লিবা মফমশিংদা লম-তু শেংদোকপগী থবক পাঙথোকখ্রে।

লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা লম-তু শেংদোকপা অদুদা থৌবাল বজারদা লৈবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই গ্যের সেন্টর থৌবালগী মায়কৈদগী মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, আই সেফ গর্দ গুগ্গল অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং অমসু মতেং পাংখি। হৌজিক্কী থৌবালদা লুরবা লাইচৎসিদা সেফ, ষ্টে হোম ওইবদা খরদং মতেং পাংজবা ওইনা ইরৈকায়দা কোভিদ চৈথেং নংদনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা তৌজবা মতেংনি হায়না আই ক্যের সেন্টর অদুগী মপু মাইবম ইতীননা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, থৌবাল অচৌবা বজার মখাদা লৈবা সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসনদসু কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা হীদাক কাপথোকপদা মতেং ওইনবা আই সেফ গর্দ গুগ্গলসু মতেং পাংখি।

হুই চাবদা চেন্নবা অহুম ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐন এন এস) : লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সঙাইপ্রৌ কবুই খুনদা য়ুমদা লোইবা হুই হাৎলপা চাখিবগী মতাংদা সোসল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী লনাই লূপ কয়ানা হুই হাৎপশিংবু চৈরাক পীবিনবা খঙহল্লকপদগী ঙরাং অয়ুক লম্ফেল পুলিসনা হুই হাৎপদা চেন্নবা মীওই অহুম সঙাইপ্রৌ কবুই খুনদগী ফারে।

পুলিসনা ফরবা মীওই অহুম অদুদি মরিংমৈ থাইঙম (২৫) অপোকপা এম দিঙাই, পাউকিম্চুং কামৈ (২৫) কামৈ গাইরেনপৌ অমদি কামৈ পাউকোনন্না (২৬) অপোকপা কামৈ পুনতিশিংনি। মখোয় অহুম্মক সঙাইপ্রৌ কবুই খুনদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি হায়রি। থা অসিগী ২১ দা হুই অমা হাৎলগা চাখিবগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা মখোয় অহুম ময়ুম-ময়ুমদগী ফাখিবনি হায়রি।

পোৎ-চৈ য়েন্থোকপা লোইশিনখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস): ঙরাংদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর দব্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈ, আই এ এসকী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) অনীনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবা কন্টেনমেন্ট জোন এরিয়াদা লৈরিবা ইমুংশিংদা চেঙ, হৱাই অমদি অলুশিং য়েনখিবগী থবক ঙসিসু মখা তানা য়েন্থোক্তুনা লোইশিনখ্রে। মসি হাউসহোল্ড পুন্না ৯৪গী মীওই ৩৯৭তা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। হাউসহোল্ড অমদা চেঙ কেজি ২০, হৱাই কেজি ৪, থাউ কেজি মখায় অমদি অলু কেজি ১ য়াওনা য়ূম-য়ূমদা চৎতুনা য়েন্থোকখিবনি।

অমরোমদা, ঙরাং জিরিবামগী দি সীনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হান্না কন্টেনমেন্ট জোন হায়না লাউথোকখ্রবা এরিয়াশিং মরু ওইনা জিরিবাম গুলারথোল, উচাথোল, সোরোক অতিংবী খুনৌ, বিদ্যানগর, হরিনগর, লমলেন, দিবোং, কদমতালা, চীংদোং লৈকাই, কলিনগর, বাবুপরানচিংবা মফমশিং অসিদা সর্ভিলেন্স সর্ভে লোইখিবগা লোয়ননা চিংনবা মীওইশিং লোইনা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে। মরম অদুনা কন্টেনমেন্ট মফমশিং অসি ফ্রী জোন ওইরে হায়না ওর্দর অদুদা পল্লি।

/ ওজা কবিরাজ ABDUL HAK, PILES কী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ Abdul Hak কী হীদাক চাবীদুনা পূন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলসনা নাবগী অৱাবশিং খোং হান্বা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা য়াম্না তোইনা হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, অমাংথোঙদা পেরে থোক্তুনা ইঞ্চি মখায়মুক ইন্থরকপা, পূক শাবা, পূক খোংবা, থবাক ফুনগৎপা, চানিংবা পোক্তবা, ইশা ইতন-তন্থবা, খোং হান্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরম্বা অদু ওজা Abdul গী হীদাক চাজবদগী অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak Ph. No. 8794429681, 8014623756 পু পূন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌহনবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

ওজাগী লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, near oil pump (6 am to 5 pm)

HL-P/7388/27 *থাগৎচরিবা :* **N. Bikramjit,** Nambol

/ JOB FOR X PASS & XII APPEAR

No Deposit, No High Qualification Required

ক্লাস টেন, টুয়েল্ব অমসুং গ্রেজুয়েসন পাস তৌরবা অমদি টুয়েল্ব এপিয়র তৌরবা, মশাগী চহী ৩০গী মনুংদা লৈবা (নুপা/নুপী) শিংবু থবক কৌজরি। মণিপুর মনুংগী ওইগদবা তোঙান তোঙানবা ওফিসিএল পোষ্ট ৮৭ লৌগদবনি। পোষ্টকী মতুংইন্না থাগী ইনকম লুপা ১০,০০০/- দগী লুপা ৩৫,০০০/- ফাওবা লৈগনি। অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি।

Apply তৌবীনীংবা মীওইশিংনা অকূপ্পা মরোলগীদমক ইশাগী বাইও-দাতাগা লোয়ননা ওফিসতা লাকপীয়ু।

Visiting Hr :- 12 noon to 3 pm.

HL-P/6608/21,27 **Contact : 9774986962, 8787450829**

/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
HL-P/7203/27 june to 26 july Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

CROSSWORD-3514



ACROSS

1 Bullfighter (7)
5 Appear unexpectedly (3,2)
8 Waterside plants (5)
9 Large rounded mass of rock (7)
10 Discard (4,3)
11 Concise and full of meaning (5)
12 Religious festival in spring (6)
14 Native American dwelling (6)
18 Fabric (5)
20 Female inheritor (7)
22 Dizziness (7)
23 Pacific Ocean monarchy (5)
24 Gangling (5)
25 Engraving (7)

DOWN

1 Reclaim (anag) (7)
2 Lock of hair (5)
3 Undress (7)
4 Cold-shoulder (6)
5 Chubby (5)
6 Cornish seaside resort (7)
7 Drink made from pears (5)
13 Pouch worn with a kilt (7)
15 Crackbrained (7)
16 Wild horse (7)
17 Select (6)
18 Quibble (5)
19 Hirsute (5)
21 Tedium (5)

Solution 3513

H	E	R	E	S	Y		B	L	O	W	U	P
O		E		P				O		R		L
A	P	P	A	L		G	E	N	U	I	N	E
R		L		I		O		G		T		N
S	T	I	L	T	O	N		I	N	E	R	T
E		C				D		N				Y
		A	C	T	S	O	F	G	O	D		
G				R		L				Y		P
O	N	C	U	E		I	N	F	A	N	T	A
S		H		A		E		A		A		L
S	L	A	N	D	E	R		T	E	M	P	T
I		P		L				A		I		R
P	U	S	H	E	D		P	L	U	C	K	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3313

2		4				5	8	
	3		7			6		
				3	2		4	
						1		5
	1	2				4	6	
4		6						
	8		1	6				
		9			4		3	
	4	7				9		6

Solution-3312

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers

9	4	2	3	1	8	6	5	7
6	1	5	4	9	7	8	2	3
8	7	3	2	5	6	1	9	4
4	9	8	7	6	2	3	1	5
5	3	7	1	4	9	2	6	8
1	2	6	5	8	3	7	4	9
7	8	9	6	2	4	5	3	1
2	5	4	8	3	1	9	7	6
3	6	1	9	7	5	4	8	2


কৈনু
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
ঙমতাৱান্না উমংদা কোইনা থিবদা শা অমত্তা ফংলমদে।
ইস ঐ খরা থাপ্পা চৎতবা য়ারোইদৌরি, শা অমত্তা উদে।
খরা থাপ্পা চৎলবা কান্দা কৈগী খুৎচু য়ৌরক্লবী।